# চাইনিজ সর্ভিলেন্স বেলুন অমা কাপথখ্রবা মতুংদা য়ুএসনা ৱাংনা পাইরকপা ওবজেক্ট অমা অলাস্কাগী নোংথক্তা কাপথখ্রে

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী):
হৌখিবা চয়োলদা চাইনাগী সর্ভিলেন্স বেলুন অমা এটলান্টিক কোষ্টকী মথক্তা কাপথখ্রবা মতুং ইরাই নুমিত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফাইটর জেট অমনা অলাস্কাগী নোংথক্তা ৱাংনা পায়রকখিবা মশক খঙদবা পোৎশক অমা কাপথখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোরক্লি।



টার্গেট অদুগী পান্দম নত্ত্রগা হৌরকফমগী মরমদা শেংনা খঙদ্রিঙৈদা ফাইটর জেট অদুনা ওবজেক্ট অদুবু কাপথখিবনি হায়রি।

নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সমেন জোন কির্বিনা ফোঙদোকখিবদা প্রসিদেন্টনা মিলিটরিদা ওবজেক্ট অদু কাপথনবা ওর্দর পীখি। মশক খঙদবা ওবজেক্ট অদুবু কাপথখিবদু চাওরাক্লা জি এম টি ৯.৩০ রোম তাবদনি। কির্বিগী মতুং ইন্না ওবজেক্ট অদু হৌখিবা চয়োলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এয়র স্পেসতা চঙশিল্লকপদগী য়ুএসকী ফাইটর জেট অমনা এটলান্টিক কোষ্টকা নক্লনা কাপথখিবা চাওরবা চাইনিজ বেলূন অদুদগী য়াম্না হেন্না পীকই।

মদু চাওরাক্লা খরা পীকপা কার অমগা চাওবা মান্নে অমসুং পোৎশক অদুনা ফিট লিশিং ৪০ রোম ৱাংনা পায়রিঙৈদা ফাইটর জেট অমনা মদুবু কাপথখিবনি। মদু কানাদাগী বোর্দরগা নক্লবা নোর্দন অলাস্কাগী মনুং চনবা ফমজিল্লবা ঈশিংদা তাশিনখি। সোলিদ মাসতা তাশিনবনা মরম ওইদুনা পোৎশক অদু ইরায় লাইনা রিকোভর তৌবা য়াবগী ফিভম ওইখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কির্বিনা হায়, ঐখোয়গী টেরি-টরিএল স্পেস মনুংদা তাশিনবদা নত্তনা মদু ফমজিল্লবা ঈশিংদা তাবা ওইবনা কায়রবা ওবজেক্ট অদুগী শরুকশিং অদু শোয়দনা রিকোভর তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লোয়ননা অথুবা মতমদা পোৎশক অদু লৌখৎলগনি হায়না কির্বিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মশক খঙদবা ওবজেক্ট অদুনা এভিএসনদা রিজনেবল ওইবা চাংদা অকিবা পী হায়রদুনা প্রসিদেন্ট বাইদেননা মদুবু কাপথনবা ওর্দর তৌখিবনি। অদুম ওইনমক কির্বিনা ওবজেক্ট অদুগী মরমদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থোইদোক হেন্দাকপা অমত্তা খঙদ্রি হায়খি।

মহাক্লা হায়, কনানা পোৎশক অদুগী মপুনো, মদু ষ্টেট অমগা মরী লৈনব্রা নত্ত্রগা কোর্পোরেট বোদি অমগীরা হায়বগী মতাংদা ঐখোয়না করিসু খঙবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্টগী ওর্দর মতুং ইন্না য়ুএস মিলিটরিনা ওবজেক্ট অদু ওবজার্ব তৌনবা প্লেন অমা থাখিবগা লোয়ননা মদুনা এভিএসনদা অকিবা পী হায়রদুনা কাপথখিবনি। পোৎশক অদুবু য়েংনবা থাগৎখিবা প্লেন অদুগী পাইলোটনা মদুদা মী তোংদে হায়না খঙহল্লকখি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা চয়োলদা এটলান্টিক কোসকা নক্লনা কাপথখিবা চাইনিজ স্পাই বেলুন অদু পিপলস লিভরেসন আর্মি (পি এল এ) না পায়খৎলিবা অচৌবা সর্ভিলেন্স প্রোগ্রাম অমগা মরী লৈনৈ হায়না য়ুএস ইন্টলিজেন্স কম্যুনিটিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুএস ওফিসলশিংনা মান্নবা মওংদা টার্গেট তৌখিবা মীচংশিং অমসুং পার্টনরশিংদা ব্রিফ তৌবা হৌরে হায়না ৱাশিংতন পোষ্টকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না চাইনাগী খা থংবা কোষ্টকা নক্লনা হাইনান প্রোভিন্স অমদি অতৈ মফম খরদগী চহী কয়া ওপরেট তৌরকখিবা সর্ভিলেন্স বেলুন অদুনা লৈবাক কয়াগী মিলিটরি এসেটশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন অমদি জপান, ইন্দিয়া, ভিএটনাম, টাইৱান অমসুং ফিলিপিন্স য়াওনা চাইনাগী ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনবা লৈবাকশিংগী খনগৎলবা চিংননিংঙাই ওইবা মফমশিংগী মরমদা কুপ্না খঙদোক্লবা হোৎনদুনা লাকখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না পি এল এ এয়র ফোর্স অমদি অতৈ এজেন্সি খরনা ওপরেট তৌবা সর্ভিলেন্স এয়রশিপশিং অদু কন্টিনেন্ট মঙাদা দিটেক তৌখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না চাইনিজ এভিএসন অমসুং টেক্নোলোজি কম্পেনি কয়াদা অমেরিকন টেক্নোলোজিশিং য়োনবদা চেকশিন্নবা খঙহনখি।

# পাকিস্টানগী পুলিস ষ্টেসনদা মোব অমা থোমজিন্দুনা ব্লাষ্টফেমিগী মরাল শীরবা মীওই অমা হাৎখ্রে

লাহোর, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী):
পাকিস্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী পুলিস ষ্টেসন অমদা ইরাং হৌবা মীওই কাঙবু অমা নম্ফুদা চঙশিন্দুনা ব্লাষ্ট ফেমিগী মরালশিংদা ফারবা মীওই অমা চিংথোক্লুনা মফি মরোল লৌথোক্লবা মতুংদা হেং তৌবগা লোয়ননা মৈ থারগা হাৎখ্রে হায়রি।



মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা নঙ্কনা সাহিদকী ৱার বর্টন পুলিস ষ্টেসনদা থোকখিবনি। মীয়াম চঙদুনা হাৎখিবা মীওই অদু করি লাইনিং লম্বী চৎপগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি। মহাক কোরানবু উশিৎ থৌওইদবগী মরাল শীখি হায়রি।

থৌদোক অদুবু থিংবা ঙমখি-দবগীদমক সেনিয়র পুলিস ওফিসর অনী সস্পেন্দ তৌখি। সোসল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইখিবা ভিদিওশিংদা লাক্ল-ফানা য়াদ্রবা মীওই কাঙবু অমনা ৱার বার্টন পুলিস ষ্টেসনগী অচৌবা গেটশিংদা কাখৎপগা লোয়ননা মদুবু হাংদোকপা অমদি মদুগী মতুংদা মপানদা লৈরিবা মীওইশিংনা বিল্ডিং অদুদা থোমজিনবগী শক্তমশিং উখি।

সোসল মেদিয়াদা চাইথোক্লিবা ভিদিওশিং অদু পঞ্জাব প্রোভিন্সকী ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস উস্মান অনৱারনা খঙখিবগা লোয়ননা মহাক্লা হিরম অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা ওর্দর তৌখি।

পুলিস ষ্টেটমেন্টগী মতুং ইন্না আই জি অনৱরনা মোব ভাইওলেন্স অদুগা মরী লৈননা ননকনা সাহিব সার্কলগী দিপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস নৱাস ৱরাক অমসুং ৱার বার্টন ষ্টেসনগী হাউস ওফিসর ফেরোজ বতি সস্পেন্দ তৌখি।

দোন পাউচেগী মতুং ইন্না আই জিনা স্পিসল ইনভেষ্টিগেটিব ওফিসর অমা এসাইন তৌবগা লোয়ননা মঙোন্দা খুদক্তা ইনক্বারি রিপোর্ট সম্মিট তৌরক্লবা খঙহনখি।

পঞ্জাবকী আই জি অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ইথিল চাওনা পীবা ঙম্বা মীওইশিং ওইদুনসু কনামত্তনা লৈবাক্কী লো খুৎতা পায়রগা শান্নবগী মওংদা তৌনিংবতা তৌবা য়ারোই।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অমদি থবক্তা থৌশাদবা অমদি মতিক চাদবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী মায়োক্তা অকনবা দিপার্টমেন্টেল অমসুং লিগেল এক্সন লৌখৎকনি হায়না আই জিনা ফোঙদোকখি।

য়াম্না কঞ্জার্বেটিব ওইবা সোসাইটি অমনি হায়না লৌনবা পাকিস্টানদা প্রোফেট মুহামদ নত্ত্রগা কুরানবু উশিৎ থৌওইদবা (ব্লাষ্টফেমি) অসি অচৌবা ক্রাইম অমনি হায়না লৌনৈ।

# য়ুহা হাবদা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা শিবা মী মশিং ২৩,৮০০ হেল্লে, থীবগী থবক লেপত্রি

অঙ্করা/দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী):
অহিংবা মীওইশিং থীবগী থবক থাংজ নুমিত্তা নুমিৎ তরুক্নি শুজিনখিবগা লোয়ননা থা অসিগী তরুক্তা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা হাখিবা শাথিরবা য়ুহাশিংদা শিখিবা মী মশিং য়ামদ্রবদা ২৩,৮৩১ য়ৌরে হায়না ওথোরিটিশিংনা হায়রি।



টর্কিগী দিজাষ্টর এন্দ ইমজেন্সি মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এফ এ দি) না মসিগী খ্বাইদগী নৌবা অপদেটতা হায়, হৌজিক ফাওবদা য়ুহা হাবদা শিখিবা মী মশিং টর্কিগী ওইনা ২০,৩১৮ শুরে। অশোকপশিংগী মশিংনা ৮০,০৫২নি। অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিনা এ এফ এ দিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কহারা মনমরাস প্রোভিন্সতা ইপিসেন্টর ওইখিবা মেগ্নিট্যুট ৭.৭ অমসুং ৭.৬ য়ৌখিবা য়ুহাশিং অদুনা অদানা, অদিয়ামন, দিয়ারবার্কি, গাজিয়েন্টেক, হাটাই, কিলিস, মালাটয়া, ওস্মানিয়ে অমসুং সনলিউফা হায়রিবা প্রোভিন্সশিং অসিগী মীওই মিলিয়ন ১৩ হেন্না চৈথেং পীখি।

সিএনএনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সিরিয়াদা য়ুহাশিং অদুনা শিহনখিবা মী মশিং ৩,৫১৩ শুরে। হ্বাইট হেলমেট হায়রগসু খঙনবা ভোলুন্টিয়র ওর্গনাইজেসন সিরিয়া সিভিল দিফেন্সকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী রেভেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা য়ুহাশিং অদুনা মীওই ২,১৬৬ শিহনখি।

চৈরকসিদা লানগী চৈথেং মতম শাংনা নঙলক্লবা লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা য়ুহাশিং অদুনা শিহনখিবা মী মশিং ১,৩৪৭ য়ৌরে হায়না সিরিয়ন ষ্টেট মেদিয়ানা হায়রি।

ওপোজিসন গ্রুপশিং অমসুং সিরিয়ন গভর্ণমেন্টগী মরক্তা মতম শাংনা সিভিল ৱার চত্থদুনা লাকপনা য়ুহাশিং অদুনা শোকহনখিবা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা নোর্দন অমসুং নোর্থ ৱেষ্টর্ন সিরিয়াগী মফমশিংদা রিলিফ সপ্লাইশিং পুশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকখি।

শাথিরবা য়ুহাশিং অদুগী মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী রেস্পোন্স খরা শোনখি অমসুং তপখি হায়বা ৱাফম ইরাই নুমিত্তা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেফ টায়িব ইর্দোগাননা য়াজখি।

# এফ বি আইনা এক্স-ভিপিগী য়ুমদা অহেনবা ক্লাসিফাইদ ফাইল ফঙখ্রে

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানাদা লৈবা য়ুএসকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইকপেন্সকী য়ুমদা থী হুম্বা চত্থবদা ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই) না অহেনবা ক্লাসিফাই ফাইল অমা ফঙলে হায়রি।

বি বি সিগী রিপোর্টনা হায়, থী হুম্বগী থবক অদু ইন্দিয়ানা পোলিসতগী এফ বি আই এজেন্টশিংনা কন্দক্ট তৌখি অমসুং মদু ক্লাসিফাই ফাইলশিংগা মরী লৈনবা অতৈ ইনভেষ্টিগেসনশিংগা হৌজিক মরী লৈনদে।

ইরাই নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা পেন্সকী এদভাইজর দেবিন ও মালিনা হায়খি, মদুদি হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক্কী ময়ুমদা থী হুম্বগী ৱাফম অদু য়াখি অমসুং অয়েৎ অপন অমত্তা য়াওদনা মপুং ফানা থী হুম্বা চত্থরবা মতুংদা অহেনবা ফাইল অদু মফমদুদগী লৌথোকখি।

ও মালিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা পুং ৫ চুপ্পা মপুং ফানা অমদি অয়েৎ অপন অমত্তা লৈতনা থী হুমখি অমসুং ক্লাসিফাই মার্কিংশিং য়াওবা দোক্যুমেন্ট অমা অমসুং অসিগুম্বা মাকিংশিং য়াওদবা অহেনবা পেজ তরুক মফমদুদগী লৌথোকখি।

পোৎশকশিং অদু ভাইস প্রসিদেন্টগী কাউন্সেলনা হান্না রিভিয়ু তৌবদদি থেংনখিদবনি। হৌখিবা থাদা ওফিসল ভাইস প্রসিদেন্টগী য়ুমদা ক্লাসিফাই ফাইল খরা থেংনখি হায়না পেন্সকী এটোর্নিশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইরাই নুমিৎকী দিভলপমেন্ট অসি লাকপনি।

মসি হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অনীমকপু মকোক শাহনখিবা ক্লাসিফাই দোক্যুমেন্টশিংগা মরী লৈনবা ৱাথোক্তা খ্বাইদগী নৌবা দিভলপমেন্টনি। ক্লাসিফাই দোক্যুমেন্টশিং লান্না হেন্দল তৌখি হায়বগীদমক্তা হান্নগী প্রসিদেন্ট ট্রম্প হৌজিক ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন মায়োক্লরিবনি।

অমরোমদা, ক্লাসিফাই দোক্যুমেন্টশিং ফঙখিবগা মরী লৈননা হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনসু য়ুএস দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসকী প্রোব অমা মায়োক্লরি।

# রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা সিরিয়ানা এইদ দেলিভরি য়াহনখ্রে

দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী):
শাথিরবা য়ুহাশিংগী চৈথেং নঙলিবা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈরিবা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেংশিং থাজিনবগী অয়াবা পীরে হায়না ইরাই নুমিত্তা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

কেবিনেট ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, সিরিয়ন আরব রিপব্লিক্কী মফম পুম্নমক্তা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং সপ্লাই তৌবগী অয়াবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরনা পীরে। তেঙবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক অদু ইন্টরনেসনেল কম্মিটি ওফ ড রেদ ক্রোস (আই সি আর সি) অমসুং সিরিয়ন রেদ ক্রেসেন্টনা য়ুএনগী সপোর্টকা লোয়ননা য়েংশিল্লে।

ৱারেপ অদু লৌরবা মতুংদা আই সি আর সিগী রিজনেল দিরেক্তর ফাব্রিজিও কার্বোনিনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি মীচমশিংগী অৱাবা কোকহনবদা মতেং পাঙবা খোঙথাং খুদিংমক তরাম্না ওকই। য়াম্না মথৌ তারিবা তেঙবাংগী পোৎলমশিংবু মীয়ামদা থুনা য়ৌহন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং খুদিংমক আই সি আর সিনা তরাম্না ওকই।

ইরাই নুমিত্তা আই সি আর সিগী চীফ মির্জানা স্পোলজারিবনা শাথিরবা য়ুহাশিংনা শোকহনখিবা সিরিয়াগী অলিপো সিটিদা চত্তুনা মফমদুগী ফিভমশিং য়েংশিনখি। চহী চা অমগী মনুংদা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা য়ুহাশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হারকখিবা অকনবা য়ুহাশিং অদুনা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা শিহনখিবা মী মশিং অসি হৌজিক ফাওবদা লিশিং ২৫ নকশিল্লক্লবনি।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রুটিন ওইনা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা মীয়ামগীদমক্তা মতেংশিং পীদুনা লাকখি। মতেং পীবগী থবক অদু বাব অল-হৱা ক্রোসিং ফাওরগা য়ুমথংনরিবা টর্কিদগী নত্ত্রগা হকথেংননা গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়াশিংদগী ফ্রন্ট লাইন লান্না পাঙথোকই।

রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন মরিরোম হ্যুমেনিটরিয়ন মতেংনা হিংলিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চয়োল অহুল্লোম চুপ্পা গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়াশিংদগী তেঙবাংগী পোৎলমশিং থারকপা লৈখিদে হায়রি।

# মার্কেটিং কম্পেনি মরি খক্লা অয়াম্বা ষ্টোক পায়শিনখ্রে, পাকিষ্টানদা পেট্রোলগী ক্রাইসিস লৈরে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী মরু ওইবা ওইল মার্কেটিং কম্পেনি (ও এম সি) ৫০ গী মনুংদা শুপ্নগী মরিখক্লা পেট্রোল ষ্টোক্কী চাদা ৯০ পায়শিনখিবগা লোয়ননা অতৈ কম্পেনিশিংনা একচেঞ্জকা মরী লৈননা শেল মাঙগনি হায়বগী অকিবা লৈবদগী ফ্যুএল ইম্পোর্ট তৌদবদগী লৈবাক অসিদা পেট্রোলগী ক্রাইসিস থোক্লে।

ডি ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, পাকিষ্টানদা হৌজিক পেট্রোলগী সপ্লাই অদুক্কী মতিক নেমখ্রে। পেট্রোল ফঙদবগী ক্রাইসিস খ্বাইদগী চাওনা মায়োক্লরিবা প্রোভিন্সতি পঞ্জাবনি। প্রোভিন্স অসিগী অচৌবা অমসুং অপীকপা সিটিশিং, টাউনশিং অমসুং ভিলেজশিংদা হৌজিক মরু ওইবা ফ্যুএল অসি ফঙদ্রে। ফেব্রুৱারী ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী থাখায়গী রিভিয়ুদা মমল হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মীয়ামদা পেট্রোলগী ষ্টোক পৈশিন্দুনা থমদনবা গভর্ণমেন্টনা ৱার্নিং পীবা লৈনা লৈনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ক্রাইসিস অসি হেন্না লুশিল্লকখি। লৈবাক অসিগী ওইল সেক্টরগী ছোর্সশিংনা ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈননা ওইল মার্কেটিং কম্পেনিশিং, পেট্রোলিয়ম দিল্লরশিং অমসুং গভর্ণমেন্টবু মরাল শীখি।

ছোর্সশিং অসিনা হায়রি, মদুদি একচেঞ্জতা মাঙগদবশিং য়েংদুনা কম্পেনি অয়াম্বনা মপানদগী পেট্রোল পুশিনখিদে। গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগীসু অৱাৎপশিং অদু মেনশিন্নবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎখিদবগা লোয়ননা পার্সেল এদজষ্টমেন্ট খরা লৈখিবসু ফেজ নাইনা চত্থখি। খরা পীকপা ও এম সিশিংদি একচেঞ্জ রেটকী মতুং ইন্না লোস চৎকনি হায়বগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা মপানদগী ফ্যুএল ইম্পোর্ট তৌদবদগী মখোয়গী পেট্রোলগী ষ্টোক নুমিৎ ২০ নি ফাওবা লৈখিদে হায়না ডি ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।

শুপ্নগী পাকিষ্টান ষ্টেট ওইল, পি এস ও, সেল পাকিষ্টান, টোটেল পার্কো অমসুং অটোক পেট্রোলিয়ম খক্তনা পেট্রোল ইম্পোর্ট তৌখি অমসুং ষ্টোক্কী চাদা ৯০ কম্পেনি মরিনা পাইদুনা লৈ। পাকিষ্টানদা ও এম সি ৫০ রোম ওপরেট তৌবগী মনুংদা শুপ্নগী খরদমক লিমিটেদ ষ্টোক লৈবগা লোয়ননা অতৈ কম্পেনিশিংগী পেট্রোলগী ষ্টোক কঙলে। একচেঞ্জ রেটনা মরম ওইদুনা মাঙগদবশিং অদুগা মরী লৈননা এদজষ্টমেন্ট তৌরোইদবগী ফিভম লৈবনা কম্পেনিশিংনা পেট্রোল ইম্পোর্ট তৌদবনি হায়না ওএমসিগী ওফিসলনা ফোঙদোকখি।

# সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা ট্রাইবেল গনমেনশিংগা খুৎ থোক্লবদা মীওই মঙা শিরে

অদেন, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী):
য়েমেনগী থাউ মরাং কায়না ফঙবা অৱাং নোংপোক প্রোভিন্স মারিবতা সেক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং ট্রাইবেল গনমেনশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লবদা মীওই মঙা শিবগা লোয়ননা অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নঙলে হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মশক মমিং খঙহন্নিংদবা লোকেল গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা ওইল সপ্লাইকী মতাংদা য়েৎনবদগী প্রোভিন্সিএল কেপিটেলগী মফম খরদা সেক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং ট্রাইবেল গনমেনশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপত্রি। নাকল অনীগী লান অদুদা মীওই মঙা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নঙলে।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওইল দিরাইবেটিবশিং ফঙননবা হোৎনরকপদা মশিং য়াম্না দিপ্লোই তৌখিবা ট্রাইবেল গনমেনশিংনা গভর্ণমেন্ট ইন্সটিট্যুসনশিং তাবা মরু ওইবা লম্বীশিং থিংবা হৌখি। ব্লোক তৌরবা লম্বী খরা অমুক হাংদোক্লবা অমদি ইন্সটিট্যুসনশিং অদুবু প্রোটেক্ট তৌননবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হোৎনখিবগা লোয়ননা ষ্ট্রেটেজিক সিটি মারিবতা গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমসুং গনমেনশিংদুগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লরকখি। লোকেল রেসিদেন্টশিংনা এজেন্সিদা ফোনগী খুত্থাংদা ফোঙদোরকখিবদা সিটি অদুগী মফম কয়াদা অহৌবা পোকখায়বগী মখোলশিং তাখি।

**Manipur Apex Handloom Weavers & Handicrafts Artisans' C.S. Ltd.**
Sponsored by the Government of Manipur
Head office : Paona Bazar, Imphal West (Manipur)
Fax & Tel. 0385-2450340
email : manipur.apex2018@gmail.com, manipurawas@yahoo.com
Regd No. 23 of 1954-55

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**
Imphal, the 10th February 2023

**No43/AWAS/ELECTION/2023:** As directed by the Registrar of Cooperative Societies, Manipur, it is notified for general information that the list of members (affiliated cooperative societies) of the Manipur Apex Handloom Weavers & Handicrafts Artisans' Cooperative Society Ltd. is being published, as a preparatory stage for holding General Body meeting of the society, calling upon objections for addition or deletion of the names of the affiliated societies.

Interested societies may submit his/her application(s) on or before 18th February 2023 within office hour.

Objection/application, if any, after this date i.e., 18th February 2023 will not be accepted/entertained

Sd/- Ch. Mandakini Devi
Managing Director, AWAS

HL/P-6034/12

**IN THE FAMILY COURT, IMPHAL EAST, MANIPUR AT LAMPHELPAT**
**Matrimonial (Declaration) Suit No. 22 of 2022.**

Yumkhaibam Subadani Devi, aged about 47 years, D/o (Late) Yumkhaibam Chaoba Singh of Moirangkampu Awang Leikai, P.O. Lamlong, P.S. Porompat, District-Imphal East. Manipur.
... Petitioner

-Versus-

1. Yumkhaibam Joy, aged about 56 years, S/o (Late) Yumkhaibam Chaoba Singh of Moirangkampu Awang Leikai, P.O. Lamlong, P.S. Porompat, District-Imphal East, Manipur and 4 (four) others.
... Respondents

**SUMMONS**

TO
ALL THE INTERESTED PERSONS.

Whereas, the above named Petitioner has instituted a suit in this court for declaration that the Petitioner is the unmarried daughter of (Late) Yumkhaibam Chaoba Singh (father) and (Late) Yumkhaibam Nungshibi Devi (mother) of Moirangkampu Awang Leikai, Imphal East District, Manipur.

All the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 22-02-2023 at 10:30 a.m. in the fore-noon either in person or by a pleader duly instructed able to answer all the materials question relating to the suit and file written objection if any.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid day and date, the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of the Court, on this 6th day of February, 2023.

SEAL
By:- Advocate

Sd/- Th. Ibeyaima Devi
Sr. Sheristadar,
Family Court, Imphal East, Manipur
at Lamphelpat

HL-P/6022/11&12

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**THE DIRECTORATE OF TRANSPORT**
**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**
Imphal, 10th February, 2023

No. DT/78/Direct-Recruitment/2020/Pt-II: It is hereby notified to all concerned that the computer (Practical) Test for direct recruitment to the post of LDC (Office Assistant-cum-Computer operator) in Transport Department, Government of Manipur shall be conducted at The State Academy of Training (SAT), Manipur, Takyelpat on 19-02-2023 as per scheduled given below:

| Sl. No. | Time | Roll No. | Total Numbers of Candidates |
|---|---|---|---|
| 1. | 9:00 AM — 9:35 AM | 0001 - 0216 | 91 |
| 2. | 10:00 AM — 10:35 AM | 0217 - 0464 | 91 |
| 3. | 11:00 AM — 11:35 AM | 0466 - 0730 | 91 |
| 4. | 12:00 Noon-12:35 PM | 0731 - 0990 | 91 |
| 5. | 1:00 PM — 1:35 PM | 0994 - 1309 | 91 |
| 6. | 2:00 PM — 2:35 PM | 1311 - 1564 | 91 |
| 7. | 3:00 PM — 3:35 PM | 1566 - 1893 | 91 |
| 8. | 4:00 PM— 4:35 PM | 1895 - 2212 | 91 |

**Note:**
1. ***Candidates without Admit Cards will not be allowed to enter the examination hall.***
2. ***Candidates should report to the Examination Centre at least 30 minutes earlier before the start of the examination.***
3. ***Candidates are required to bring their own ball point pen (black/blue).***

**Candidates who fail to report to the Examination Centre on time will not be entertained for any further request.**

Sd/- Dr. Nivedita Lairenlakpam
Director of Transport
Manipur

HL-P/8019/11&12